# ‘চীং-তুরেল কন্দুনা মহৌশাগী খল ঙাক্লবা হোৎনরিবা মীয়ামদা অকি-অখং পীরক্লিবশিংনা শেংদোরক্কদবনি’




**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচ এন এস) :** থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ইঙৌরোক তুরেলদা অচৌ-অচৌবা গাড়ী শীজিন্নদুনা নুঙ-লৈঙোই পেল্লিবশিং অমদি চীংদগী লৈবাক অমসুং নুঙ কোৎথোক্লিবশিং খুদক্তগী লেপকদবনি হায়না ঙসি সিখোং অমদি নোংপোক সেকমাইগী মীয়াম্না সিখোং কৈথেলদা মীফম পাঙথোক্তুনা নোর্থ ইষ্টর্ন ইনভাইরোনমেন্টেল প্রোটেক্সন কম্মিটি কৌবা লূপ অমা শেমখিবগা লোয়ননা ৱারেপ কয়ামরুম লৌখ্রে।

মীয়ামগী মীফমদু লোইরবা মতুং কম্মিটিসিগী মেম্বর অসেম তম্পাকলৈমনা ৱারেপশিং পাথোকখি। ৱারেপশিং অদুদি চীং অমদি তুরেলগী হৌরকফমদা নুঙ কোৎপা-থুগায়বগী থবক অসি ঙসিদগী খুদক্তগী লেপকদবনি। নুঙ কোৎপা-থুগায়বা, চীং তেমখায়বদা শীজিন্নরিবা মেছিন খূদিংমক লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎ এপ্রিল ২১গী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবগী মনুংদা লৌথোকখিগদবনি। লোয়ননা হায়রিবা নুমিৎ অসিদগী চীং কোৎপা অমদি নুঙ লৌথোকপগী থবক মখা তানা চথরল্লবদি মদুদা মীয়াম্না লৌরকপা ৱারেপ্তা মশানা য়ানা লৌজগদবনি।

নুঙ কোৎফম ওইরিবা ইঙৌরোক তুরেল অসিগী হৌরকফম খুলশিং অসিদা মখা তানা নুঙ কোৎহন্দনবা কম্মিটি অমদি মীয়ামদা খঙহনবা, নুঙ লৌথোকপা, চীং কোৎপগী মায়োক্তা হৌরিবা ঈহৌসিদা য়াওরুবা মীওই খরদা মশানা মশাবু লালহৌলূপনি হায়জবা মীওই কাঙলুপ খরনা খোঙজং অসিদা য়াওবা য়ারোই হায়না কিহুল্লকপসি করি মরমগীনো হায়বদু লালহৌলূপনি হায়রিবা মীওই/কাঙলুপশিং অদুনা নুমিৎ নীনিগী মনুংদা শেংদোরক্কদবনি অমদি মীয়াম্না লৌখ্রবা ৱারেপশিং অসি নুঙ লৌথোকপা অমদি চীং কোৎথোক্লিবা মীওইশিংনা করিগুম্বা ইন্দ্রবদি মদুদা মীয়াম্না লৌরকপা অফ-ফত্ত খূদিংমক্কী তেকচাক মশা-মশানা পুজগদবনি হায়বনচিংবা য়াওরি।

ঙসিগী মীয়ামগী মীফম অদুদা মীয়াম্বু অকি-অখং পীবীগনু, মহৌশাগী খল কায়হনগুমসি, ঈশিংগী হৌরকফম থুগায়গনু, চীং কনসি, তুরেল কনসি অমদি ঈশিংনা ঐখোয়গী থৱায়নি হায়না থাবা প্লে কার্দশিংসু শীজিন্নখিবগা লোয়ননা খোল্লাও কয়াসু মীফমদুদা তীনখিবা মীয়াম্না লাউখি।

# এম য়ুগী সেন্ত্রেল ম্যুজিয়মদা ৱর্ল্ড হেরিটেজ দে পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচ এন এস) :** মণিপুর ষ্টেট অর্কিওলোজি দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচরগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি (এম য়ু) সেন্ত্রেল ম্যুজিয়মগা খূৎশম্নদুনা ৱর্ল্ড হেরিটেজ দে ২০২৪ ‘দিস্কোভর এন্দ এক্সপরিয়েন্স দাইভর্সিটি’ হায়বা থীমদা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি সেন্ত্রেল ম্যুজিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসর এন লোকেন্দ্রনা অথোইবা মীথুং, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি সেন্ত্রেল ম্যুজিয়ম কাঞ্চিপুরগী ক্যুরেটর ইন-চার্জ ডা. মিসালা রমাকৃষ্ণনা অখন্নবা মীথুং অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নার এম জ য়না থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা মণিপুর ষ্টেট অর্কিওলোজিগী সুপরিন্টেন্দেন্ট সচিকান্ত কে অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্স এসোসিএট ডা. এন জি জয়শ্রি অনীসু শরুক য়াখি।

থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা এম জয়না হায়খিবদা, মালেমগী থাক্তা ৱর্ল্ড হেরিটেজ দে থৌরম পাঙথোক্লিবসিগী মরু ওইবা পান্দমদি য়ুনেস্কোনা ৱর্ল্ড হেরিটেজ লিষ্টতা চল্লবা কলচর অমসুং নেচরেল সাইটশিংবু নীংথিনা ঙাক শেনবা মথৌ তাই হায়বসি মীয়ামদা খঙহন্নবনি। নুমিৎ অসিবু ‘ইন্টরনেসনল দে ওফ মোন্যুমেন্টস এন্দ সাইটস’ হায়নসু খঙনৈ। মসিনা মীওইবা খুন্নাইনা হেরিটেজ সাইটশিংবু নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা প্রিজার্ভ তৌবগী তঙাইফদবদু খঙহল্লি। হেরিটেজ সাইটশিং অসিগী মরমদা নৈনবা অমসুং অহেনবা সাইটশিং থিজিনবসিনা মীওইবা খুন্নাইদা অহেনবা ৱাখল লৌশিং পীগদৌরিবনি হায়খি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচ এন এস) :** য়াইবিলেন কৈবী সনাপাৎকী মতম শাংনা থৌবুরোয় ওইবীরম্বা কৈবী অৱাং লৈকায়দগী ওজা লৈচোনবম শাজৌ (কোকঙাং)না থা অসিগী ১১দা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা লৈখিদবদা য়াইবিলেনগী লুচিংবা নেপ্রম নুংকাংবা (বিহারী) খুমননা য়াইতোংবা ওইবীদুনা লূপসিগী থৌপু লূপশিংগী মীফম অমা থা অসিগী ১৬তা ফমদুনা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না ঙমথং থৌবুরেল ৱাই কুমারনা ফোঙদোরক্লি।

# রিমসতা মাইক্রো বাইওলোজি বিল্ডিং অমসুং মান্ডি-টৌপ বাইওটাইপর শঙ্গাখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচ এন এস):** রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালগী মীদিয়া এদভাইজর এন ফিলিপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা রিমসতা নৌনা শাবা মাইক্রো বাইওলোজিগী বিল্ডিং অমসুং মান্ডি-টৌপ বাইওটাইপর রিমসকী মাইক্রো বাইওলোজি দিপার্টমেন্টতা ঙসি শঙ্গাখ্রে হায়রি।

শঙ্গাবগী থৌরমদুদা রিমসকী দিরেক্তর প্রোফেসর জি সুনিল কুমার, দিন একাদেমীক্স প্রোফেসর ব্রোজেন অকোইজম, রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর এন সঞ্জিব অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ মাইক্রো বাইওলোজি রিমসকী হেদ প্রোফেসর ডা. খুরাইজম রঞ্জনানা মথংশিংনা অথোইবা মীথুং, অখন্নবা মীথুংশিং অমদি থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা রিমসকী দিরেক্তর প্রোফেসর জি সুনিল কুমারনা হায়খিবদা, নৌনা শারিবা মাইক্রো বাইওলোজিগী বিল্ডিং অসি মতমগী য়াওল মতুংইন্না তঙাইফরক্তবদগী নেসনল মেদিকেল কম্মিসন (এন এম সী)না ইন্সটিট্যুট অসিদা তম্লিবা পোষ্ট গ্রেজ্যুএট, এম বি বি এস, পি ঐচ দি, এম এল টি অমসুং তোঙান তোঙানবা কোর্সশিংদা তম্লিবশিংগীদমক নৌনা শাখিবনি। নৌনা শারিবা বিল্ডিং অসিদা তোঙান তোঙানবা ভেক্টিরিওলোজি, ভাইরোলোজি অমসুং ফঙ্গসনচিংবগী লেবোরেটরিশিং য়াওরি। লেবোরেটরিশিং অসি বাইও সেফ্টি লেভেল টুগী থাক্তা শাবনি। মসিনা ঐচ আই ভি, হেপটাইটিসনচিংবা নেসনল থাক্কী প্রোগ্রামশিংগীদমক্তা মফম পীবা ঙম্লগনি হায়রি।

থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ‘মণিপুর’গী অনৌবা ৱাহন্থোক থিবা

চহী খূদিংগী পাঙথোকপগুম, ‘হুইয়েন লানপাউ’ পাউচে অসিগীদমক ৱারেং ইরিবা (কলমনিষ্ট)শিংগা পাউচেসিগী ওফিসতা থবক তৌরিবা, ‘ফেমিলি’সিগী মেম্বরশিংগা শকখঙ-মায়খঙনবা, চাক্লেন অমা চামিন্নবগী থৌরমদু কুমসি চহীগী ওইনা এপ্রিল ১৫, ২০২৪ নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাঙথোকখি। ‘লীপুন’ হায়না মিংথোনবা থৌরম অসি, কুমসিগীসিনা তরুকশুবা পন্দুপনি। ২০২১- চহীদুমদি ‘কোভিদ’কী অকনবা চৈথেং মায়োক্লখিবনা পাঙথোকখিদে। হৌরকপদদি হরাও-কুম্মৈ অমগী শক্লোন লৌগে তৌরম্দু, মীয়ামগী ওইনা পূক্লিং লৌশিং ওইগদবা হীরম অমদা খন্ন-নৈনবা/লেকচর প্রোগ্রামগুম্বা ওইনা পাঙথোক্লসি খন্নদুনা হোংলকখিবা-কুমসিগা থানা অহুল্লক শুরে।

‘রি-দিফাইনিং দ আইদিয়া ওফ মণিপুর’- হায়বা হীরম অসি মাঙদা থল্লগা, খঙ-হৈরবা মীওই মঙাবু চেপাউ পীদুনা কৌরগা ৱা ঙাঙহনবা, মখোয়না থল্লম্বা ৱাফমশিংদুদা ৱাহং-পাউহং তৌনদুনা নৈনবনা থৌরমদুগী অসূপ্পা মশক্লি। মণিপুর কৌবা লমদমসিগী অনৌবা ৱাখল্লোন অমা অমুক থিমিন্নবা হায়বসি ইচম চম্বা, অরায়বা থবক নত্তে। পুং খরগী নৈন-মীফম অমনা তূপথোক্লবা য়াবা ৱা নত্তে। ৱাফম অসি খন্ননবগীদমক শীনখিবা মীফম অদুদা ৱা ঙাঙখিবশিং- ‘ইন্দিজিনস পিপলস ফোরম’গী প্রসিদেন্ট ‘অসাঙ কাসার’, ‘লাল বহাদুর সাস্ত্রি নেসনল একাদেমী’গী হান্নগী ফেকল্টি মেম্বর ‘তয়ীবুর রহমান’, ‘মণিপুর য়ুনিভর্সিটি হ্যুমেন-রাইটস সেন্টর’গী হান্নগী কো-ওর্দিনেটর ‘ডা. গাইখমসিন রিয়েমৈ’, ‘নেপালি সাহিত্য পরিষদ’ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ‘ভৱানি অধিকারি’ অমসুং মণিপুর সরকারগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি ওইরম্বা ‘ৱাহেংবম চন্দ্রকুমার’ লোয়ননা নৈন-মীফমদুবু ৱাতেমখিবা, মতম অমগী এম য়ুগী প্রোফেসর ‘দল্লিয়ু নবকুমার’... মতমসিনা দিমান্দ তৌরকপা, ৱাফম অমখক পুথোক্তুনা খন্ন-নৈনমিন্নবনি, নোলেজ সেয়র তৌনবনি। তাকপা নত্তে কনাদা।

পাৎ অমা শীৎপদা পাৎতু নৈর-নৈরগা ঙা মপান থোরকপগুম, পুং খরদং নৈরুবদা থোক্লকখি- মচেৎ-মচেৎ কিন্থরবা, পুমকায় কায়রবা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা শক্তম অমা। চহী লীশিং কয়াদগী শেমগৎলকপা মান্নদবা কয়াগী অপূনবা, অমত্তা ওইবা মতৌ-মীরোন অমদগী অমদা হৈ-শিংলবা, তৌবা ঙম্বা লৈঙাকপা (নিংথৌ) কয়ানা করম’ ঙাক্তুনা থল্লকখিবা? অওনবা, অহোংবা কয়া লাক্লবসু ইফেক্টিভ ওইবা লৈঙাক-লীক্লম অদু করম্না পুথরকখিবা? কন্তিন্যুটি ৱিথ চেঞ্জ, লীক্লম কায়দবা অহোংবা হায়বা ‘মোদর্ন দিভেলপমেন্ট কন্সেপ্ট’ অদু কংলৈ ময়োনগী নিংথৌশিংনা কয়াম নীংথিনা ঙাক্লম্বা- পুৱারী নৈনবশিংতনা খঙগনি। শাংলবা পুৱারীগী পরিংদা, করম্বা থেঞ্জাং অহুমদা মপান-লমগী লৈঙাক-ইথিলনা কায়ফদ্রবা লীক্লমদু করম’ থুগায়খিবা... য়েংলুবা তাই হঙ্গৎনা। ১৭২০, মহারাজ পামহৈবা (গরিব-নিৱাস/গরিব-নৱাজ) হাক্তক্তা সনামহী-লাইনিং থাদোক্তুনা হিন্দু-লাইনিং লৌখিবা... ১৮৯১, এংলো-মণিপুর ৱারদা মায়থীহৌরবা মণিপুর, বৃটিশশিংগী মখা পোল্লবা লৈপাক ওইনা বৃটিশ পোলিটিকল এজেন্ট অমগী মখাদা লৈরকখিবা... অনীশুবা লাঞ্জাও লোইরবা মতুং, বৃটিশনা ইন্দিয়া থাদোক্তুনা চৎলমদাই নোংমা ৱাৎলিঙৈ, মণিপুরগী মাঙখ্রবা নীংতম্বা হঞ্জিলহল্লমদুনা, মীয়ামগী মীহুৎশিংনা লৈপাক ঙাকচবা, নীংতম্বা লৈপাক অমা ওইরম্লগদবদু, নীংতম্বদা ঙায়রিবা ইন্দিয়ানা ১৯৪৯, ওক্তোবর ১৫দা নম্ফুদ্না ভারতকী শরুক অমা ওইহনখিবা... পুৱারীগী থেঞ্জাং অহুমসি ‘আইদিয়া ওফ মণিপুর’গী ৱা নীংশিংলুবদা কাউফম সূপথোক থোক্তবনি।

‘আইদিয়া ওফ মণিপুর’- করিসু নত্তে, মণিপুর করম্না ওইরকই... লমদমসিদা লৈরিবা, চহী কয়াদই লৈমিন্নরক্লবা মীয়াম, পূন্না করম’ হিংমিন্নগনি... মওং কয়াদা অমগা অমগগী মরক্তা মান্নদবা কয়া লৈরিবদু কাউথোক্লা’ লৈমিন্নবা/হিংমিন্নবা অদুনি। অকা-অকুম নাইবা শাংলবা খোঙচৎ অসিদা পুদুনা লাকপা শক্তম অমা হৌজিক্তি মচেৎ-মচেৎ থুগায়রক্লে। থিংবা ঙমদ্রবা অকনবা শাফু অমনা য়ৈরকপদা কিন্থরক্লে। মমাংঙৈদই পুদুনা লাকপা, মল্লবা আইদিয়া (ৱাখল্লোন) অদুগী চন্নফম লৈরক্তবগুম তৌরক্লে। অনৌবা আইদিয়া অমা পুথোকপগী তঙায়ফদবা অমা লাক্লবরা? হান্নগী দিফিনিসন, ৱাহন্থোক অদু হোংদোকপা তারিবরা? ৱাখলসিনা মাঙওইনরগনি, হুইয়েন-লানপাউ পাউচেগী তরুকশুবা ‘লীপুন’ থৌরমগী নৈন-ৱারোল ওইনা থল্লুরিবা... রি-দিফাইনিং দ আইদিয়া ওফ মণিপুর। ‘মণিপুর’গী অনৌবা ৱাহন্থোক থিমিন্নবা।

ৱাখল অসি খল্লুঙৈ থিংবা ঙমদ’ পাইশিল্লকই কোকসিদা সুনিল খিলানিগী লাইরিক ‘দ আইদিয়া ওফ ইন্দিয়া’। লৈপাক কয়ানা পুল্লগা অমত্তা ওইবা ‘ইন্দিয়া’ অমগী মঙ মঙগ্রেম্নহন্দুনা ‘ইন্দিয়া’ অমসুং ‘পাকিস্থান’ শেত্তোক্লখ্রবা মতুং চহী য়াঙ্খৈ (১৯৪৭-১৯৯৭) ফাওবগী মনুংদা লৈপাকসিদা ওইরকখিবা শেল-থুম অমসুং লৈঙাক্লোনগী শং-শং উবা মশক্ত য়েক্লনবা হোৎনরকপনি। চহী য়াঙ্খৈগী মতমদুদা, ইন্দিয়ানা হকথেংনরকখিবা অওনবা (ইভোল্যুসন) অদু, মরু ওইনা, লৈপাকসিগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ‘জৱাহরলাল নেহরু’গী দেমোক্রেসিদা থাজজবা ৱাখল-ফিদম অমসুং তুংইন্নরকপা থবকশিংগী মহয়নি- হায়ননবা হোৎনবনি। মথংদা নীংশিংই- অমেরিকান পোলিটিকল সাইন্টিষ্ট ‘স্তেফেন ফিল্লিপ কোহেন’গী- ‘দ আইদিয়া ওফ পাকিস্থান’। ‘পাকিস্থান’ কৌবা লৈপাক অমা শেম্নবা ৱাখল-মরু হুনখিবদি, ১৯৩০ দিসেম্বর ২৯দা ওল ইন্দিয়া মুস্লিম লীগকী চহীগী মীফমদা সার মহম্মদ ইকবালনা, মহাক্কী প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীখিবা ৱাহৈদুনা ইহান হানবনি... ‘ঐগী পূন্সিগী মঙলানদি পঞ্জাব, নোর্থ-ৱেষ্ট-ফ্রন্টিয়র প্রোভিন্স, সিন্দ অমসুং বেলুচিস্থানগী লমদমশিং অসিবু অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা তোঙানবা লৈপাক অমা ওইনা শেমগৎপনি’...। মহম্মদ ইকবালগী মঙলান্দু মহম্মদ অলি জিন্নাহ’না মঙফাওনহনখি। ‘স্তেফেন কোহেন’না মাগী লাইরিকসিগী খুত্থাংদা অপাবশিংদা খঙহন্নিংবা অকক্লবা পাউজেল খরতনি- পাকিস্থান কৌবা লৈপাক (ষ্টেট) অসি করিনো? য়ূপ্লোন্নবা নুংঙাইতবা, অতোপ্পা লৈপাকশিংদই তোঙানবা, অতোপ্পগী মাঙনবতা তৌবা লৈপাক অমরা? লমদমসিগী মীয়াম লমহেন-তুহেনবা ঙাক্তরা? তালিবানশিংনা ঙাকপা, ফেল ওইরবা ষ্টেট অমরা? নৎত্রগা মীনা মশক খঙবীদ্রবা/লান্না শকখঙবীরবা, অমেরিকাগী চান্নবা মরুপ অমরা?... অসিনচিংবা। ৱাহংশিংসিগী পাউখুম পীবতা নত্তনা, লাইরিকসিনা অপাবশিংদা কান্নবা, অখন্নবা পাউজেল অনীখক পীরি। অহানবদা, হিন্দু-মুস্লিম অপূনবা ইন্দিয়া অদুগী ইন্দিয়ন-মুস্লিমশিংনা মখোয়গী মরাইবক মদোম-মরোমদোম লেপচনবা, ইন্দিয়াদগী তোখায়বা ‘হোমলেন্দ’ অমা তঙায়ফদবা ওইরক্লে খল্লকখিবদুগী মরু ওইবা মরম করিনো? অনীশুবদা, লৈপাকসিনা নিউক্লিয়র শক্তি লৈবা অমা ওইরক্লবা ফাওবদা মিলিটরি শক্তিনা ঙম্না পানবা লৈপাক অমা ওইরক্লিবসি করম্ননো? য়ূপ্লোন-কৈরোন্নবশিংগা তীন্নবা য়াদবা, শেল-থুমদা শোত্থরবা লৈবাক অমা ওইরিবসি করিগীনো? লাইরিক অসি পারুরগা, মণিপুরগী কন্টেক্স’তা, তোঙানবা ফূরুপশিংনা ‘তোখায়বা হোমলেন্দ’ তাল্লিবশিংসি নীংশিংহল্লি।

অদুগা, মণিপুরবু নৌনা মশক তাক্লবা, রি-দিফাইন তৌনবগী ৱা খল্লুরগা, ইরৈপাকচাশিংবু পাহন্নিংলকই- ‘নন্দন নিল্লকেনি’না ইবা ‘ইমাজিনিং ইন্দিয়া’- অনৌবা ইন্দিয়া অমগী শক্তম অমা ৱাখল শাগৎপদা ইরকখিবা লাইরিক। ঐখোয়সু অমুক্তং ইমাজিন তৌদুনা য়েংসিরা- ‘রিদিফাইনিং দ আইদিয়া ওফ মণিপুর’ কৌবা লাইরিক অমা ইনবা।

